## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১৪

১। কংলা লাইফমলেনদি ইবুধৌ পাখঙবগী মমাঙদগী লৈরক্লবনি। মাগী মমাঙদা খাবা শলাই নিংথৌশিংনা মফমসিদা পাল্লম্লবনি। মণিপুর হায়বা, নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা শেমগৎলকখিবসু মফম অসিদগীনি।
(ক) ইবুধৌ পাখঙবনা লৈরম্মী থাজনরিবা কংলাগী মফমসি কদায়দনো?
(খ) মণিপুর কৌদুনা নিংথৌ পানবা লৈবাক ওইরকপসি করম্বা চহীচাদগীনো?

২। "শ্রী নদীয়াবু ঐনা উজখি - পীক্লিবা নাৱাশিংগী মরক্তা য়েন্নীং হুল্লকপা বসন্ত ওইনা... মৈতৈ কাব্য লৈকোলগী তৌদ্রীগা শৈহেকমিন্নবা বাঁশী ওইনা।" ৱাফমসি কবি সঞ্জেনবম নদীয়াবু শক্তাকপা ওইনা কবি অমনা হায়রম্বনি। কবিদু কনানো?

৩। "নুপীগী ওইনদি কোক তাঙবগী শরুক অমরোমদা খৌরি ফিনা য়োমশিনবসিনা খজিক্তং হেন্না ফৈ।" ৱাফমসিনা আই বসন্তনা মাগী ৱারীমচা 'খদাং কোই' হায়বা অদুদা হায়রিবনি। মাগী ৱারীমচাগী লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "ইহাকথক/মালেম নঙ/ওইরি/দুসাসন্না ফি চিংলিবী দ্রৌপদী/ইচা হাক্তক/কৃষ্ণগী ফি লোইখিদুনা/লেপ্পরগনি য়েংহৈদবা শক্তমদা।" ৱাফম অসিনা অইবী হাওবীজম প্রেমানা শৈরেং অমদা হায়রিবনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "চৎথোকউনে নুংশিদেনে/লাকপীনু পামজদেনে খোইমু/কুচুদা মুদে থম্মোয়সু য়াওই।" পরেং অহুম অসিনা মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৯, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১৩গী পাউখুম থাবিরকপশিং

| | | | |
|---|---|---|---|
| ১) | ***মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং*** | ***১ (ক), ২,৩,৪,৫*** | ***(৫)*** |
| ২) | অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা, লমসাং | ২, ৩, ৫ | (৩) |
| ৩) | মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় | ২, ৪, ৫ | (৩) |
| ৪) | নামৈরাকপম সৈরোনা চনু, ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপাল | ২, ৫ | (২) |
| ৫) | তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় | ১ (ক), ২, ৩, ৪, ৫ | (৫) |
| ৬) | থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স | ২, ৫ | (২) |
| ৭) | থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল | ১ (ক), ২,৩,৫ | (৪) |
| ৮) | সঙ্গিতা ঙাশেপম, য়ুরেম্বম অৱাং লৈকায় | ২, ৩, ৫ | (৩) |

**(অচুম্বা পাউখুমগী ৱাহং নম্বর, ব্রেকেট মনুংদা পীজরি)**

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১১৩গী ৱিন্নর

***মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)***

লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ১১৩গী মনা লাম্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম ফেব্রুৱারী ১৬, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লাম্থোকচগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১৩গী পাউখুম

১। ঐখোয়গী শেংলবা কংলা মনুংসি ইতিহাসকী মচাক ওইবা ফূড়াশিং, ঈরম খোংলম কয়া অমা লৈরিবনি। ইবুধৌ পাখংবা হাক্তক্তগী মহারাজ কুল্লচন্দ্রগী মতমফাও কোনুং ওইরক্লবনি।
(ক) মসিদা লৈরিবা নূংজেং পুখ্রি অচৌবা শেংলবা মফমনি। মসিবু করি হায়নসু খঙনবগে?
**:- নোংদমখোং।**
(খ) নোংচুপ সনথোঙ অসি কংলাগী মরুওইবা থোঙ অমনি। করম্বা সনাহাক্তক্তা শারম্বনো?
**:- মার্জিৎ**

২। "ননাই ঐগী কংলবা থম্মোয়দা ধর্ম্মগী ময়োন হুনবগুম তৌরে। রাম সীতাগী গুন তাবদা য়ামদ্রবদা মিত্তা পি শিন্থবা মখৈদদি হৈরে।" পরেং অনীসি কবি চাউবগী 'লবঙ্গলতা' দগী লৌথোকপনি। ননাই হায়রিবসি কনানো? **:- লতাম্না।**

৩। "নুপানা রাম ওইরগা লোয়নবীসু সীতা ওইবনি। নত্তদুনা নুপীখক্তং সীতা ওইয়ু হায়বদি খক ওইথোক্লরোই।" ৱাফমসিনা 'থোইনু' কৌবা ফম্বাক লীলা অদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো? **:- নাওরেম অহঞ্জাও মৈতৈ।**

৪। "লূপথৌ লুরবা ঈরোন্নুংদা/থম্মোয় থম্বাল লৈরিক্লুংদা/ফঙ্গনি মঙাল অচুম্বগী।" পরেং অহুম অসিনা এস ভানুমতিগী শৈরেং অমদগীনি। শৈরেং লাইরিক অদুগী মমিং হায়য়ু।
**:- 'ওইরগদ্রা অরোইবা'।**

৫। "উখ্রুলদা ঐগী থৱায় লৈহৌরে/ইম্ফালদা লৈঙমদ্রে।" পরেং অনীসিনা মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবা অদু কনানো? **:- দসেন্দ্র ওইনাম**

ৱারী ককনাউ

# মরী-মতা

কেতুকীগা ঐগা থায়না নুংশিনরকই। থুংনখিদ্রে, কায়নখ্রে। মমা মপানা অতোপ্পা নুপা অমা হায়নরগা নমদনা চেলহনখিবনি। মাদি খঙদে, ঐদি মা কায়নবদা ঙাওখি। মমৈদা ইপা ইমানা নুপী অমা হায়না-শিংনদুনা ঐ লুহোংখি। নুংশিবা হায়সি কায়নবা কুইরদি পুমকাউ কাউশিল্লকই। নোংমতা উদবদা লৈবা ঙম্নরমদবদু কুইরবসিদদি নোংমতা নীংশিংখিদ্রে। ইচানুপী ট্যুসন চৎপা থিনবদা কেতুকীগীসু মচানুপা ট্যুসন থিনবা লাকপদা নোংমা খঙহৌদনা থেংনবনি। মদৈদি ট্যুসন ঙাইবা ওইনা হোটেলদা নুংতিগী ফম্মিন্নদুনা চা থকপা, ৱারী শাবা, শোয়বা য়াদবা থবক অমা ওইনা লাকখি। মদুদগী হান্নদগী মাঙলুরবা নুংশিবদু ঈশিং ঈচাও লাকপদু ঙাই, ফুং লাওনা ফাওদোরক্তনা হৌজিক্তদা তান চাদনা লোইরে ইচা পাখঙ লৈশাবী ফারকানসিদা ইনখৎলকপদৌনা মঙ হাগসি পুমলোই লোইরে কেতুকী ঙাক্তা ঙাইখ্রে, মাসু ঐ ঙাক্তা ঙাইরে হায়। কয়াদি মান্নরে। সুম নকশিন্নরদি য়াম থাজদনা হুইগা হৌদোংগসু নুংশিনৈ হায়দনা নোংমা কোয়বা চৎমিন্নবদা লমহাং অমদা ফম্মগা ৱারী শারুবদগী লৈকায়গী মৈরা পায়বী কাঙবু অমনা ফাদুনা কৈন্যা কৎলকপীরে।

য়ূমদদি কুম্মৈ তারে। ঐখোয় নুপীনা কপ-লাউবগা, অমুক্তোইবা কেতুকীদু য়ূমদা পুশিল্লকপদা মশমগা ফোইবীদনা হেক্তা লান শানরে। ইচানুপীদি থোইদোক্লা অৱাববু উত্তে, নোক্তুম তুমিন-তুমিন নোকপা, য়াম্না হরাওবগসু উবা ফংই। ঐনবু খল্লি, ইচানুপীসিমদি ৱাখল লৈ। মপা ঐগী মীচং হায়রপ চংই। য়াম নোকনীংইদি কেতুকীগী নুপাগা ঐনা লৌরিবা নুপীসিগসু হান্না পৎ তৎখৈ নুংশিনরম্মজাৎনি। নুমিৎ নীনিমুক লৈরগা কনা কনানো খঙনরকপদগী থওইনা তৌগে মতাগুম মখোয় অনীসু চেম্থোকখ্রে। ঐ কৈনোনে তৌরিসিবো হায়দনা ইঙক ঙক্লিঙৈদা, কেতুকীনা ৱা-ৱা নোক্তুনা ঐগী ঙকশমদা কোল্লগা।

"সিদি কৈসু কায়দে, শিন্দোক্লবনি?"

"খরা লৈরগা অমুক শিন্দোক্লরসি হায়রদি নঙদি য়াগদ্রা?" খোইদৌ শাওগৎনা হায়রুই।

"অশেংবা মপু খঙনরসিদি, অদু কমাই য়াদুইনো?" কেতুকীদু ৱারৌরপনা ঐগী থবাক্তা তাশিল্লবা মাগী খুতুমদুনা দক-দক শুরগা ওইনরকই।

"সিগী মরী মরাংগী ৱাসি হান্ননা ঙন্না খঙজরম্মদি ঐখোয় ঙন্তা-ঙন্তানা লৈমিন্নরম্বা য়াবনি, থেংনা খঙইদা" কেতুকী ইবানি কয়া হৌনা কন্না নোক্লুরবনো খঙদে, ইনে তোম্বীনা মপান্দগী ঐবু কৌ-কৌদুনা চেনশিল্লকই।

"হে! থম্বৌ থম্বৌ,"

ঐনা ফীভম হোংলগা খুম্মী "ও ইনে, ঐ সিদা লৈ"

"নচানুপীদু কাই চৎকনি হায়রম্মী"

"ঐঙোন্দদি হায়রমদেনা ইনে, কৈদৌরগে ইপা পাখৎলিদুবো?"

"মমান্নবী অমা লাক্লম্মীনে"

"করি হায়রম্মীবা?"

"মা য়ূমদা হল্লক্লরোই হায়রম্মী হায়না তম্লম্মীনে, নোইবু করি হায়নখিবা, চৈনখিবা লৈব্রো?"

"অদুদি লৈতেনা, কৈনোনে হায়রিসিবো, অদুদি মাদি কদাইদা চৎলিবা, নহারোলগা য়াওরগে হায়না চৎখ্রজাৎলা, অদুসু ঐমক্তি থাজদে, মাদি নোংমৈ য়াম কিগনবনি, পুলিস উবা য়াদবনি কিজৈ হায়না তৌবনি, কাইদা চৎখি জাৎনো?"

"হো নুপা অমদা চেল্লনি হায়রম্মেয়ে?" ইনে তোম্বীনা শাওরংননা হায়রকপনি।

"এ অঙাং ওইমল্লিদা, কৈনোনে মেত্রিক সিদসু থাদোক্লগা ময়ূম পাঞ্জরদি ফদৌবা, হেরা মদু য়ারোইদা, কনানো মমান্নবীদো, ঐ হৌজিকম চৎকে, নুপাদু থিদোক্লগা ফাদোক্তবা য়াদে। নৎত্রগা পুলিসতা তাক্লগা মরু-ময়াং কেম্নবা ফুথবা তাবা" ঐ ফুক হৌগৎলি। কেতুকীনা ঐগী খূৎ তাপ লাউনা ফাই। ইনে তোম্বীনসু খাম্মী,

"ঙাইখো ঙাইখো! ফিংগনু, ঈংনা মেন তানা খন্নসি, মাসু মপা লৌদনা তৌরিনি' হায়রম্মগা ইনেদু মপান থোকখ্রে। ঐ হায়রপতি ইকায়। কদোমদগীনো খঙদে কোকসি উরু-উরু লৈখৎলকই।

নোং ঙাল্লে, ঐদি ফি ফি কাম্মে শাওবদা লোইরে। হায়দোকপা লাকপদা লান হেক্তা তৌরগে হায়দুনা খুদাং ফুরিৎসি হন্না হন্না পংতাদা তাখৎলগা হঙ্গৎ হন্দা মাঙ্গোলদা চৎলি। থোঙ্গালদা গাড়ী অমা খামখিবগী মখোল তাই, ঐ ইমুংদা চেনশিল্লগা ঐগী লংত্রিক লংনা থম্বা লিচৈদু তাপ লাউনা পায়রুই, কেতুকীনবু খাম্মী, "ঙাইখোদা ঙাওবু ঙাওবরা কৈনো খঙদে"

ফৈজোম শেৎপা নুপা অহুম শুমাং মচিনদা লেপ্পগা কৌরকই,

"ৱা অমত্তা হংজগেবা"

কেতুকী ইবানিমক থোঙ্গালদা য়েংথোকই, কেতুকীদি মমায় ফৎ লৈশিল্লক্লগা,

"ইস লোইরেদনা সিদি"

"কৈদৌরে?"

"ঐ লৌরম্বা নুপাদুনি লাকইসে"

"ঐগী নুপী চেনখিবা মাদি ঐগীসিদা য়াম লিংনা চঙলকইসি ঐবু উশিৎতবগী নৎত্রা, মসিদা হাৎলগেদা" ঐ হান্না তাখৎলম্বা ফুরিৎ খুদাংদু অমুক তাখৎলি।

"কৈনো মানাসু নঙনা ঐ লৌখিবদা অদুমাইনা খল্লম্বা য়াই, ঈংথখিসি কৈনো হান্না খঙদোকখিসি"

মপান থোকই, ৱারী পাক হৌনদে, হৌনবা ঙম্নদে, লাকমিন্নবা নুপাদুনা হায়রকই,

"সোমগী ইচানুপীদু ঐখোয়গী ইনাওসিগী মচানুপানা ঙরাং চেল্লক্তনা অসোমদা লৈহৌরে, পাউ হায়জগে লাকচবনি" হায়রগা মখোয় অহুমদু ঐখোন্দা পাকথরকই।

ঐ ইশাসি ফুং লাওই, খুরুম্বা ওকপা হৌগৎলকপদা ইশাসি নোকনীংবা অমা য়াওই। মখোল হৌনা নোকথোরকই। লাকইবা ময়ামদুসু শোলে ফিল্মদা গবর সিংনা নোকপদা ময়াম ইঙক ঙক্লা নোকপদু ঙাই, ৱা-ৱা-ৱা লাওনা নোক্লরে, ঐগী মাঙ্গোলদু মীনোক মখোলনা পূমনিন নিল্লি। ইমুংদা তুমিন্না ৱারী তারম্বা কেতুকীসু ইমুংদা মখোল হৌনা নোকথোরকই। ঐসু কায়দৈ ৱানো খঙদে থোক হায়রুই,

"সিদি মরী-মতা ঙাক্তা ঙাইরেনে"

ময়ামদু মদু তাবদা অমুক্লা হেন্না হৌনা নোকখ্রে। গবর সিংগী পিষ্টোল মখোল 'বিচুং-বিচুং' হায়দুদা ঙাইরে ৱাৎলিসে।■

***- নরেন্দ্র নিঙোম্বা***

মতম মতমগী ৱাফম

# নুপী শুম্মাং লীলাদা য়েংলিবা মিৎয়েং

হৌজিক্কী মতমদা ঐখোয়না উরিবা ইমা ইবেন, ইচে ঈচলশিংনা শান্নরিবা 'নুপী শুম্মাং লীলা' হায়বসি হান্নদগী লেপ্তুনা শান্নরকপা অমদি নৎতে। য়ুম পাল্লকপা কুইদ্রিবা মৌ অনৌবী অমগুম্বনি হায়বা য়াই। জগোয় ঈশৈ, লীলা পামজবা লমদমসিগী ইমা ইবেন, ইচে ঈচলশিংনা আর্ট ফোর্ম অসিবু নুংশিবদগী অমদি পামজবদগী থেঙনা শেমখিবা নাচোম্নি। ঐখোয়গী ইমা ইবেল, ইচে ঈচলনা নুপানা শান্নবা মতম অমগী শুম্মাং লীলাদা অশেঙবা নুপী য়াওদুনা নুপা মরক্তা শান্নরকখিবগী ৱারী ঐখোয়না তাঙনা তাবা ফংঙি। লীলা অদুগী মমিং 'হরিচন্দ্র' কৌই। চাউরাক্লা কুমজা ১৯১৮ অদুৱাইদা শান্নবনি থাজনরি। লীলা অদুদা অশেঙবা নুপী শৈব্যগী শক্তম লাংখিবসি য়ূম্নাম অমুবী কৌই হায়নৈ। ফম্বাক লীলা (ড্রামা) অসিদদি নুপী অশেঙবা য়াওরকই। ঙসিসু য়াওরি। শুম্মাং লীলাদা নুপা মরক্তা নুপী অশেঙবা য়াওদুনা নুমিদাংদা শুম্মাং খুদিং লীলা শান্নবা চৎপা হায়বসিমদি হরিচন্দ্র লীলা নত্তনা অতৈ লীলাদা য়াওখিবগী পাউ ফংবা ঙমদে। মখা তারকপদসু নুপা শুম্মাং লীলাদা অশেঙবা নুপী য়াওনা শান্নখিদে। মণিপুরী খুন্নাই অসিদা নুপী ঙাক্তনা লীলা শান্নরকখিবগী ৱারী ৱাখোংদি হৌজিক্কী ওইনা লৈরে। চাউরাক্লা কুমশীং ১৯৭৫ স্বাইদগী নুপী লীলা শান্নবা অমুক হৌরকখি। নুপী লীলা কাঙলুপ য়াম্না লৈবদি নত্তে। কাঙলুপ খরদি লৈখি। মরুওইনা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা শীনবা শুম্মাং লীলা ফেষ্টিভেল অসিদা য়াওজবা খক্কি ইমা ইবেল, ঈচে ঈচলশিংনা হৌজিক্কী ওইনা লীলা পুথোকচবনি। ঙল্লিঙৈগী মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা শীনবা শুম্মাং লীলা ফেষ্টিভেলদা নুপীশিংনা শান্নবা লীলাদি য়াওরমদে। নুপী লীলাবু চাউখৎনবা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বদি লাইওইখ্রবা ওঝা অরাম্বম সমরেন্দ্রনি। মহাক্লা নুপী লীলা চাউখৎনবা সেমিনার ফাওবা শীন্দুনা শরুক য়ারমখি। নুপীগী লীলা ঈহৌ কনখৎহল্লমখি।

লমদমসিগী ইচে ঈচলশিংগী তোপ তোপ্পা মশক অমা লৈজরকই। লৈতা লাইরগী ৱাফম্না তোঙানবা অমনি। ফনা লৈতা লাইরবগী অৱাৎপা লৈরবসু পূম্নমক কাওথোক্তুনা জগোয় ঈশৈ, লীলা ড্রামা অসিমদি থৱায়না তাজরকই। তাধিং তাধিং হায়বা পুংলোন অসি অঙাং ওইরিঙৈদগী লোয়নরকই। লাই হরাউবগী জগোয়-ঈশৈ হায়বসি লৈকাই অমদা খুল্লক অমদা উদুনা লাকই। য়াউশংগী থাবল চোংবা য়াওরক্তবা নুপা নুপী অতাঙবা ওইগনি। জগোয়-ঈশৈদা তান চাদবা মী থিবসু পাক ফংলোই। নুপা অমনা ঙম্বা থবক নুপী অমনা ঈরায় লায়না তৌবা ঙম্মি। অদু ওইজরগসু নুপী অমগী ইকায় খূম্নবা হায়বা অসিমদি মতম পূম্নমক্তা নুপী ওইবীশিংনা মশা মশানা লূম্না লৌদুনা চেকশিন্না লাকচরকই। লৈবাক্কী থৌরমদসু মাঙজিল থানা চোংথোক্তুনা শরুক য়াজরকই।

নুপী ঙাক্তনা শান্নবা লীলা হৌজিক্তি লৈরে। চাউরাক্লা লীলা কাঙলুপ নিফুরোম লৈখ্রে। খরা ঙল্লিঙৈদা নুপী কাঙলুপ মশীং খরা য়াম্না লৈম্মী। অমুক শিথখি। অকা অকুম তৌদুনা লৈরি। 'নুপী শুম্মাং লীলা' হায়বা মীংথোলসিমক হায়দুনা শীজিন্নবদা য়াদবসু ওই মরমদি নুপীশিংনা শান্নবা লীলা অসি নুপানা শান্নবগুম্না লৈকাই লৈকাইদা, অথাপ্পা মফমদা মীনা কৌদুনা শান্নবা শুম্মাং লীলাগী মচৎ অদুমক ওইদ্রি। মীয়ামগা শক খঙনবা ৱাৎলি। নুপানা শান্নবা শুম্মাং লীলাদি পোপুলার আর্টফোর্ম অমা ওইনা মফম অমা কন্দুনা লৈখ্রে। হীরম অসিদা থিজিন হুমজিন্দুনা রির্ছাচ স্কোলার, ডোক্তরেট দিগ্রি হোল্ডর ফাওবা লৈরবনি।

নুপীশিংনা শান্নজবা লীলা অসিগী তোপ তোপ্পা মশক অমদি লৈজরি। লমদমসিগী ইমা ইবেল ঈচে ঈচলশিংনা পুথোকচরিবা লীলা অসি 'মোইরাং পর্ব্ব 'হায়রিবা ৱারী মখল অসিদা শান্নবনি। নুপী লীলা কাঙলুপশিংনা মোইরাং পর্ব্ব অসিদা হেন্না পাম্না অমদি চান্ননা শান্নৈ। মসিগী মরমদি মোইরাং পর্ব্ব লীলা অসি ঈশৈ জগোয়না নমনা য়াওগল্লি। করেক্টরসু অঙম অথৌ, ফম্নাইবশিংনা অয়াম্বা ওইবা ফিজাও শেৎপা, ফিজাও ইনবা য়াবা কয়া অসিনা নুপীশিংনা নুপাগী শক্তম লৌরকপদা মশক মান্নবা শেম শাবদা পকচবা অমদি হোৎনবদা লায়না থোকই। নুপী লীলাদা য়াওজরিবশিং অসি অয়াম্বনা ঈশৈ জগোয় খরা হৈবা ঙাক্তসু ওইগল্লি। ঈশৈ জগোয় হায়বসি ঐখোয়গী ওইনদি পোকপদা লোয়নরকখ্রবা অমনি। ইতম তমদনা হেক্তা শরুক য়াবা ঙম্বসি মোইরাং পর্ব্ব আর্ট ফোর্ম অসিদা ওইরি। মরম অদুনা ঐখোয়গী ইমা ইবেলশিংনা মোইরাং পর্ব্ব লীলা পানখৎপদা থোইনা লুনা থোক্তে। মসিনা লীলা অসি শান্নরকপগী মরমসু ওই। হৌজিক্তি ওঝা গুরু নাইনা হেন্না চেকশিন্না জগোয় ঈশৈ তমদুনা নুপা অমগুম্না মতীং লৈনা শান্নবা নুপীশিংগী লীলা কাঙলুপ লৈরে। মসিগী মমল ঐখোয়না য়াংনা লৌবা চুমলোই।

মণিপুরী শুম্মাং লীলাগী পুৱারীদা নুপা কাঙলুপ খরনসু মোইরাং পর্ব্ব লীলা অসি শুম্মাং লীলা অমা ওইনা য়াম্না মমিং লৈনা চহী কয়া শন্নরম্মী। ঙসি ফাওবদা মীয়াম্না শুম্মাং লীলা অমা ওইনা মোইরাং পর্ব্ব লীলাদা- লোইকুম লোইকা, শামু খোংদা য়েৎপা কাওঙমদনা শোন্নরি। কৈশাম্পাৎ মোইরাং পর্ব্ব, কোংপাল মোইরাং পর্ব্ব অমদি তেরা উরক মোইরাং পর্ব্ব হায়না নুপা ঙাক্তনা শান্নখিবা মমিং লৈবা কাঙলুপ অহুম লৈরমখি। লৈপাক নিংথৌনা মশক খঙবীখি। মহারাজ বোধচন্দ্রনা পাল্লিঙৈদা কোনুংগী মহারাজগী অয়াবা লৌরগা শামু অশেংবা রায়দুনা মোইরাং পর্ব্ব লীলাদা শামু খোংয়েংপগী মতাং তেরা উরক কাঙবুনা শান্নখি। অসুক মতীং লৈরম্বা মোইরাং পর্ব্ব শুম্মাং লীলানি। মোইরাং পর্ব্ব শুম্মাং লীলাগী রারী ঊসিদি পন্নড্রে। নুপাশিংনা শান্নবা মীয়াম্না মোইরাং পর্ব্ব লীলা লৈখিদ্রে। অখণ্ডবা মীরোলসু লৈশিল্লকত্রে। কাওনরুরবা মোইরাং পর্ব্ব লীলা অসিবু শুম্মাং লীলাগী মওংদা অমুক ইনৌ নৌনা হিংগৎহল্লক্লিবা অসিদি ঐখোয়গী ইমা ইবেল, ঈচে ইচলনা শান্নজরিবা অসি খক্তননি। মোইরাং পর্ব্ব লীলা য়েংগে হায়রবদি ইচে ইচলনা শান্নরিবা লীলা অসিদা তাই। অসুক মরু ওইখ্রবা তাঙলবা আর্টফোম অসিবু য়োকখৎচরিবা অসি ইমা ইবেল, ইচে ঈচলশিং অসিখক্তননি। নুপীশিংনা শান্নজরিবা মোইরাং পর্ব্ব লীলা অসি ঙসিগী মীয়াম্না পাম্না য়েংবীবদি ৱাৎলি। নুপী লীলা ওইজরবসু নুপীলক্তসু অফ-অফবা নুপী আর্টিষ্ট কয়া য়াওরি। নুপী লীলাগী ডাইরেক্টর লৈরে। নুপা কাঙলুপ অমনা তৌবগুম লীলা অহৌবদা শক্কদবা ঈশৈ শৈহৌ মশানা পুং পায়দুনা থোকলক্লগা চপ চানা (লীলাগী শ্বাজ) চৎথজরি। ঐখোয়গী নুপী লীলা শান্নজরিবা ইমা ইবেলশিং খুদোং চাদবা কয়া অমদি মায়োক্লরি। নুপা নুপী হায়বা অনীগী খেন্নবা অসি চাউনা লৈবনা মায়োক্লরিবা খুদোং চাদবশিং অসিমদি পাক কোক্কদবদি মান্দে। হিংবা হায়বসি অহানবদা মরুওইবা অমনি। পাম্মী হায়দুনা লীলা শান্নদুনা নুপাগুম্না মনীং তম্বসু ওইথোক্তবনিনা হিংনবা হোৎনরকপদা পামজবা কলা আর্ট অসিদগী লাপথোকলকপসু য়াওনরকই। ইমুং মনুংগী মীৱা মীচৈ নঙবসু য়াওদবা নত্তে।

হৌজিক নৈনবা য়ারিবদি প্রেফেস্নেল ওইনা নুপী লীলা অসি হিংহনবা ঙমগদ্রা হায়বসিনি। চহী অমগী মনুংদা অমুক্তং পাংথোকপা লীলা ফেষ্টিভেলদা উৎলিবা অসিনা নুপী লীলাগী মফম লোইরব্রা ? নুপী লীলা চাউখৎনবা করম্বা মরী লৈনবশিংগী থৌরাং লৈরবগে ? লুপী লীলা হৌদোকপীরম্বা ইমা ইবেল কয়া অমদি মফম খঙদনা থাগৎ ৱাহৈ অমত্তসু ফংদনা থুপখ্রে। অহল ওইজরবা ইমা ইবেল নুপী আর্টিষ্টশিং কয়া অমনা পামজবদগী ঙসিসু শেম্থোক অমত্তা য়াওদনা, মোইরাং পর্ব্ব হিংহনবীরি। মখোয়দা ফংহনবা য়াবা ইন্টেন্সিব লৈররোইদ্রা ? ফেষ্টিবেলদা থোক্লিবনি হায়দুনা ইমুং মনুংগী মীওই খোমদুনা পুরক্লগা য়েংহনবীরিবসি নত্তনা মাখোয়গী য়েংবীনবা মীশিং লৈতে। নুপীনা আর্ট তৌবদা চন্নফম ইফং ফংদনা লৈবসি হৌজিকসু অদুম উরি। স্পোর্ট ওইরম্লগদি কান্নবা ফনা য়াম্না ফংলম্লগনি। স্পোর্ট অমদি আর্ট তৌবা অনীদা থল্লিবা খেন্নবা মীৎয়েং অসি শেমদোকপা চুমলে। পোৎ অমা ওইনবা হোৎনবদা চঙলিবা মতম, পূক্লিং ৱাখল, থৌনা চপ মান্নে।

মণিপুরী নাৎকী অঙনবা মতমদগী লৈজরকপা, চৎনরকপা খুন্নুংগী ওইবা ফোক আর্ট ,হরাউ কুম্মৈ, জগোই ঈশৈ, পার্ফোমিং আর্ট অয়াম্বদি ঐখোয়গী স্কোলারশিং, ফোকলোরিষ্টশিংনা লাইথোকপীবদগী কনবা ঙমহৌদবা কয়া লৈখ্রে। থৱায় য়াওজবা, লম অসিদা খোংদাজরুবা অহল লমন, ওঝা গুরু খরতনা মসিগী মমল খঙবদৌনা তৌই। শিনফম অসিদা নকশিল্লুদবা মী অয়াম্বনদি মমল নেম্না লৌবিরি। ঙসি মালেমগী থাক্তা পাংথোকলকপা ফোক থিয়েটর ফেষ্টিভেলশিং অমদি অতৈ আর্টফোমশিংগী ওইবা ফেষ্টিভেলদা মণিপুরী নুপীনা লৌজরিবা থৌদাং অসি ঐখোয়না কাওফম থোক্তে। মণিপুরী শুম্মাং লীলা ফেষ্টিভেল হন্দক চহী অসিগী ওইনা ফেব্রুৱারী ১২, ২০২০ অসিদগী চাংদম্লবদি হৌখ্রে। নুপী কাংবুগী লীলা শান্নরি। নুপী পোকপদা হারাউনদবগুম নুপী লীলা ফেষ্টিভেলদসু হরাউবগী মমি উদে। নোংমদা নুপী লীলা কাঙবু অনী অনী শান্নহন্দুনা অথুবা মতমগী মনুংদা লোইশিন্না লমজেল চেন্নরি। নুপানা শান্নবা লীলাদদি অয়েংবা মীসু য়ামলকখিগনি। নোংমদা নুপাগীদি শো অমকখক্লি। চৎথরিবা মওং অসি লোইনমক্লা খৎঙি। অসুম্না শাংলবা চহী কয়া অসি অহোংবা লৈতনা লৈরক্লি। নুপী লীলা হায়দুনা শান্নরিবা পুথোকলিবা প্রডক্সন ষ্টাইল অসি অৱাংবা থাক অমদা লৈরক্লুবা খন্ন-নৈনবা, পোলিসি প্রোগ্রাম শেমদ্রগদি মওং অসিদা অসুম থম্বনা তুং কোইবা ঙমগনি হায়বা থাজবা উদে। নুপী লীলাদা থীনবা ধোলোক্কী মখোল ইহৌ হৌদ্রিবসি হৌহন্নবা খন্নবা চুমলে।



from Mongsaba private album — NUPI MOIRANG PARBA MODERN PLAY Directed by L.Durendro

***- মাখোনমনি মোংসাবা***

## শরৎচন্দ্রগী শ্রীকান্ত (২শুবা)

# লোই থাবা

*(বেঙ্গলগী উপন্যাসকার শরৎচন্দ্র চট্টোপধ্যায়গী বাংলা লোলদা ইবা 'শ্রীকান্ত' পু অরুনা চক্রবর্তি, প্রিন্সিপাল, - জানকি দেবী মেমোরিএল কোলেজ, দিল্লিনা ইংলিসতা হন্দোকপা লাইরিক্তুগী ডা. কুঞ্জেশোর তেনসুবনা মণিপুরীদা হন্দোকপা)*

***ডা. কুঞ্জেশোর তেনসুবা***

(হান্নগী মখা চত্থজরকপা...)

নুমিৎ তাবুম তাবুম তৌরকপদা নহা ওইবী বেঙ্গলী থৌগন্নাই চনু অমনা ঐগী কাদা চঙলক্তুনা চাকচাফিদা অমা থারগা ঈশিং গিলাস অমা লৈমায়দা থম্লদুনা ঐগী চাক চানবগী থৌরাং তৌরকই।

ঐনা হায়, "ঐগী চাক, সিদা পুরকইদি করিগীনো ঐ চাকচাফম কাদা ময়ামগা পুন্না চামিন্নবা য়াদব্রা ?"

মানা খুল্লকই, "মখোয়দি মেকানিক ঙাক্তনি, বাবু। মখোয়গা অদোমগা কমদৌনা পুন্না চামিন্ননি।"

"ঐ করি থবক ফংনি হায়বা কনানা খঙবা ঙম্মি। ঐসু মেকানিক ওইনা থবক তৌরকপা য়াই। হয়েংদগীদি ঐ চাকচাফম কাদা চাক চাগনি।"

"শোমদি ব্রাহ্মননি। ময়ামসিগা পুন্না চামিন্নবা চুল্লোই।"

"করিগী চুম্মোইদৌরিবা ?"

"মখোয়সি বেঙ্গালীনি, হিন্দুনি হায়ববুদি চুম্মী, অদুবু মখোয়গী মরক্তা ডোম অমা য়াওরি।"

ডোম অমা ! বেঙ্গলদদি ডোমশিংসি শোক্ল-শম্লবা য়াদবা অমাংবা মী ওইন লৌনৈ। নঙনা মখোয় অমগা শোক্লরুবা থোক্লবদি নঙ নয়ুমদা চঙদ্রিঙৈদা নমদুনা ঈরুজথোকহনগনি। অমাং-অশেং খ্বাইদগী তৌদবা ইমুংদা ফাওবা ফি হোংদোকহল্লগা কোক্তা ঈশিং খরা খিক্তোকপা চৎনৈ।

"অতৈদিশিংগী ৱানা কমদৌবা ?" ঐনা হংই।

"মখোয়দি খরা শাগৈ- ফূ ফবা মী ঙাক্লি। কায়স্থ, সদগোপ, কামায়, বৈবর্ত অমুসং গোৱালা শাগৈগী মী কয়া মখোয়গী মরক্তা য়াওরি"

চনুরাদু মোমোন তৌরগা হায়রকই, "ঐখোয়না লৈরিবা মফমসি বর্মাদনিনে বাবু, - ঐখোয়গী পোক্লফম লমদমদগী সমুদ্র ঈৱাংমা তরেৎ লান্না লাপথ্রবা মফম্নিনে। বেঙ্গদা তৌবদৌনা কনানা সিদবু শাগৈ-ফুরুপকী চৎনবী ঙাক্লা চৎপা ঙমদোইনো ? মখোয় হয়েং ময়ুমদা হনখ্রগা গঙ্গাদা অমুক্তং চুপ লুপথোক্লগা, শন্থি খরা চারগা কোক হেক শেংদোক্লগা লোইরেদনা। অদোইদি হান্নগী হান্না অদুম ওইরেদনা।"

মতমদুদা ঐনা মাগী ৱাদুদা করি চিংনবা পোকখিদে। তৌইগুম্বসুং কাইনথংদদি মাগী ৱাদু কয়াম লানবগে হায়বদু খঙলকখি। চহী কয়াগী তুংদা, বেঙ্গলদা হল্লক্লবা মতমদা, বর্মাদগী হল্লকখিবা ইন্দিয়া মচা কয়া লাইবক ফবদগী ঐনা উনবা ফংখি। মখোয়গী মরক্তগী খরদি হাইফেৎ-লাকফেৎ গঙ্গাদা লুপখি, অদুগা কনা অমত্তসু, ঐনা তশেংনমক হায়রিবসিনি - মখোয় অমত্তা শন্থি চারুবা তৌখিদে নৎত্রগা অতৈ অতোপ্পা ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ অমত্তসু তৌনখিদে।

মীরৈবাক মীরমদা মখোয়গী চাকচা-ফিজেৎ-নাৎপু তেল্লবা মতম ঙাহাক হকথেংনদুনা লৈরুবদুনা শাংলবা পুরোন-পারোন্দগী চুশিনহন্দুনা শেমখ্রবা শাজৎ-ৱাখল অদু তোকথোকপা, লৌথোকখিবদা মায় পাক্লে হায়বসিমদি ময়েক শেংনা খঙলে। হোটেলদুদা হীদাকফু অনী খিনবদু ঐনা উবা ফংখি - অমনা ব্রাহ্মনগী অদুগা অতোপ্পা অমনা ব্রাহ্মন নত্তবগী। অনীশুবগী হীদাকফু অদুদি কর্মকারনা থক্লগা গোৱালদা অমুক, ডোম্না অমুক থক্লগা সদগোপ্তা অমুক পি তৌদুনা করিমত্তা হঙ্গোইনদনা, অথিংবা লৈনদনা লান্নদুনা থকমিন্নে।

ঐনা হোটেলদা লাকপা নুমিৎ নীনিরোমগী মতুংদা কর্মাকার মতা অমদা ঐনা হংলুই, "ডোমমচা অমগা হীদাকফু পুন্দুনা নঙগা থকমিন্নবদুবু মাংদব্রা ?"

"চুম্মি, তশেংনমক মাংঙি।"

"অদু ওইরদি করিগী - "

"মানা অহানবা ঐখোয়গী ঈরক্তা চঙলকপদা মা ডোমনি হায়দে। মা কাইবরা শাগৈনি হায়।"

"অদুবু মা ডোম মচানি খঙলক্লবা মতমদুদা মঙোনদা করিমত্তসু হায়দব্রা ?"

"ঐখোয়না করি হায়বা ঙম্লুরনি। মানা ঐখোয়দা মিনম্বা ৱা হায়খিবদু মাগী য়াম্না চুমদবা থবক্লি। অদুবু ঐখোয়না মাগী মিনম্বা ৱাদু অশেংবা খঙলে হায়রুরবদি মা ইকাইবদগী মতোমতা শিজরম্বা ফাওবা য়াই, অদুনা ঐখোয়না খঙদবা শাশিন্নদুনা অদুম লৈরিবনি।"

"এ! কদাইদৈ! য়ারোই।" ঐগী ৱাদু তাবদা মশা থক-থক নিকখি। "অদোম্না লোইনা খঙবিরবা নৎত্রা ? ব্রাহ্মনগী ৱাদি ঙাহাক থমখিসি, মখোয়দি শাগৈ-জাৎ মকোক্লি, মখোয়গা অতৈগা চাংদম্নরুবা য়াদে, - অদুগা অতৈ শাগৈ-ফূশিংদি অমগা অমগা থোইনা খেন্নদে। নবসাখ অমগা ডোম অমগা নৎত্রগা গোৱালাগা সদগোপকা মখোয়গী মরক্তা খেন্নৈ হায়বসি কনানা খঙবা ঙম্নি ? অদুবু অরোইবদদি ঐখোয় পুম্নমকসি তাইবুং মপু অমত্তগী মচা ঙাক্তনি। -মথং-মথং

# দত্তোপন্ত থেংগডি (শন্নপ্পা পুন্সি ৱারী-১)

(হান্নগী মখা...) মহাক হেক উবদা মপানা খেঞ্জেল হৌনা হায়,'ঐহাক দত্তুবু সঙ্ঘগী শন্দোকপা মীশক অমা ওইনা থাবা ঙল্লোই... ঐনা হায়রিবা অসিনা লোয়রবনি।' অদুবু শ্রী কৃষ্ণরাওসু হেক্তা লায়না য়াগদবা মীশক নত্তে। মহাক্লা মপাগী অশাওবা, ঙাঙবা শকপা পূম্নমক য়াম্না মুন্না তারম্মী অমসুং অরোয়বদা নোলুক্লা হায়জরম্মী, 'পাবুং, অদোম ঐগী অপোকপা মীশক অমগুম্বনি। অদোমগী ইচানুপা দত্তাত্রেয়গা চপ মান্নে। মরম অদুনা অদোম্না মহাক্কী মমিংসু দত্তত্রেয় হায়না থোল্লিবনি। মহাক ইশ্বর দত্তাত্রেয়গুম্না থবক তৌগনি অমসুং তাইবঙ শিনবা থুংনা অদোমগী মীং শক্ল-শোনহনগনি। মহাক অঙাং হায়বদুসু নত্রে, হৈথোই-শিংথোইরবা অমসু অফ-ফত্ত খনবা ঙম্বগী থৌনা লৈ। মরম অদুনা মহাক্কী পুন্সিগী ফিরেপ লেপচবদা মতিক চারে অমসুং মনরং তম্না খনবসু ঙমগনি অদুবু মহাকপু হরাউ-হরাউনা সঙ্ঘগী মরমদা শন্দোকপা মীশক অমা ওইনা চৎহনখরো। মদুনা অদোমগী ইকায়খুম্নবা হায়বদু ওইগনি।' মতম অদুদা অপোকপগী অশাউবা অদু কোকখিরম্মী অমসুং কুমজা ১৯৪২গী মার্চ ২ গী মতুং দত্তোপন্ত সঙ্ঘগী মরমদা শন্দোকপা মীশক অমা ওইরদুনা কেরলগীদমক চৎখিরম্মী। অসুম্না লৈবাক অসিগী ওইনা শক্লাইরবা সঙ্ঘগী মরমদা শন্দোকপা মীশক অমা ওইখি।

নুমীৎ ১৫গী মতুং অপোকপা অমসুং অপোকপী মামা জানকী বাই নাগপুরগী সঙ্ঘগী ওফিসতা লাক্লম্মী। অপোকপনা পি.পু শ্রীগুরুজীগী ঙকশমদা লৈ পরেং হুক্লম্মী অমসুং য়ুবি খুদোল তৌরদুনা হায়, 'ঐহাক তশেংনা তাইবঙ মপু হকথেংননা উবা হায়বদু ওইরে। ঐখোয়গী ইচানুপা হৌজিক অদোমগী মখাদা লৈরবনি। মহাক সঙ্ঘগী থবক তৌগনি অদুবু ঐগী অপাম্বা অমদি লৈ মদুদি মহাক য়ূমদা লাকথোক-লাকশিন তৌহনবিয়ু মদুনা ঐখোয়দসু অপেনবা-নুংঙাইবা হায়বদুসু ওইগনি।'

নুমীৎ অদুদা অপোকপসু থম্মোয় হোংলকপনা মহাক মশামকসু অশেংবা স্বয়ং সেবক অমা ওইখি।

ভারতীয় মজদুর সঙ্ঘ অমসুং অতোপ্পা মরুওইবা এসোসিয়সনশিং লীংখৎলকপা :

কুমজা ১৯৪২ অমসুং ১৯৪৪ ফাওবা কেরলদা অমসুং মদুগী মতুং ১৯৪৮ ফাওবা বঙ্গালদা সঙ্ঘ শন্দোকপা ওইনা লৈরবা তুং দত্তোপন্তবু নাগপুরদা হল্লক্লুবা কৌরকখি। মফম অদুদা মহাক্লা ১৯৪৯ দা অখিল ভারতীয় বিদ্যার্থি পরিষদ লীংখৎপদা মতেং পাংখি। কুমজা ১৯৫১-৫৭ দা দক্ষিনাচল ভারতীয় জনসঙ্ঘগী সংগথন মন্ত্রি ওইনা লৈখি। লোয়ননা মহাক শিন্মীশিংগী মরমদা খঙননবগীদমক কুমজা ১৯৫০-৫১ দা মধ্য প্রদেশকী ইন্টক শ্রমিক সংগথনগী সংগথন মন্ত্রি ওইনসু লৈখি।

২৩ জুলাই ১৯৫৫- ভারতীয় মজদুর সঙ্ঘ লীংখৎখিবা : ভারতীয় মজদুর সঙ্ঘ লিংখৎপা জে রোদগী হৌরদুনা অৱাংবা ৱাখল্লোল অমগা লোয়ননা মালেম শেম-শানবগী অচেৎপা তৌগে খনখিবা থবক অমনি। মসি লীংখৎপগী পান্দমদি শিন্মীশিংগী থবক থৌরমশিংদা শুপ্নগী শিন্মীশিংতগী ওইবা শিন্মীগী লুপ অমা শেমগৎপনি। মদুনা 'শিন্মীশিংগী, শিন্মীশিংনা, শিন্মীশিংগীদমক' ৱাখল্লোলদা লৈবাক্কী য়াইফনবা, ইন্দষ্ট্রিজগী কান্নবা অমসুং শিন্মীশিংগী য়াইফনবগীমক থবক তৌনবনি। -মথং-মথং

*হিন্দিদা- অমরনাথ ডোগরা, মণিপুরীদা - ডা. অহোংশাংবম সুন্দর*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।